ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Reliable

HUEIYEN LANPAO

# হুইয়েন লানপাউ

The messenger of the masses

সিটিজনশিপ বিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা থৌবালদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীতমশিং মৈ থাখিবগী শক্তম



লামায় ১

খ্বাইরাকপম লৈকাই মৈরা পায়বী অমসুং সী আর এল সীগী থৌমীশিংনা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লম্বী থিংলগা ৱাকৎ মীফম ফম্বা




লামায় ১

টিদ্দিম লম্বীগী শরুক ওইরিবা ক্বাকৈথেলদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী শক্তম য়াওবা ফেষ্টুন মীয়াম্না শেগায়রগা মৈ থাখিবগী শক্তম



লামায় ১

লাংমৈদোংদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মফম অদুগী মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমদুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবগী শক্তম




লামায় ১

Vol. 42, Issue No.318 | য়ুমশকৈশা, ফাইরেন ৮ নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Wednesday, February 13, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

# রাজ্য সভা মীফমদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল ঙসি পুথোল্লবা য়ারি

## খোঙজং কনশিল্লক্লে, অশোক-অপন কয়া য়াওরে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২ (ঐচএনএস): রাজ্য সভাগী বিজিনেস রিভাইস লিষ্টতা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ ঙসি পুথোক্লগা পাস তৌনবা ৱাফম য়াওখ্রবসু পুথোকখিদ্রে। হয়েং রাজ্য সভাগী মীফমদা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি পুথোল্লবা য়ারি।

মণিপুর পিপলস এগেনষ্ট সী এ বি ২০১৬ (মেনপেক) অমসুং পিপলস এল্লাইয়ন্স মণিপুর (পাম)না লাউথোকখিবা তোঙান-তোঙানবা খোঙজংশিং শৌগৎলদুনা মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজং হেন্না কনশিল্লক্লে। মফম কয়াদা চথখিবা তোঙান-তোঙানবা মখলগী খোঙজংশিংদা শরুক য়াখিবা খোঙজংলোয়শিং পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল অমদি মোক বোম কাপ্পুনা তকখায়নবা হোৎনবদা মীওই কয়া অশোক-অপন নংখ্রে।

ৱাথোক ওইরিবা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল অসি পুথোরক্ত্রি-ঙৈদা হাউসতা চরাংনবা থোক্লকপদগী মীফম অদু এদজোর্ন তৌখিবনি। য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ঙসি ৱাহং-পাউহংগী মতম হেক লোইবগা বিজিনেসকী রিভাইস লিষ্টতা য়াওরবা বিল অসি পুথোল্লবা থৌরাং তৌরম্বনি।

জন্যুৱারি ৮ দা লোক সভানা পাস তৌখ্রবা বিল অসি করিগুম্বা রাজ্য সভাদসু পাস তৌবা তারবদি এক্ট ওইনা চৎনরগনি। অপর হাউসতা ঙসি চরাংনবা থোরকপনা মরম ওইরগা অহুম্নক হন্না মীফম য়েথোকখি। নুংথিল পুং ২ তাবদা অমুক হন্না হাউসকী মীফম মখা চথনবা হোৎনবদা ওপ্পোজিসন্না তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া পুখত্তুনা চরাংনবা অদু হেন্না চাওনা থোকহল্লকখি। অকোনবদা চেয়রমেন এম ভেনকয়া নাইদুনা হাউসকী মীফম ঙসি নোংমগী ওইনা য়েথোক্লে হায়না লাউথোকখি।

রাজ্য সভাদা হৌজিক লৈঙাক পায়রিবা ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)গী এম পি ৭৩ লৈরি। কোংগ্রেসকীনা এম পি ৫০ নি। রিপোর্ট অমনা হায়, করিগুম্বা ঙসি সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলগী মতাংদা ভোট লৌনরম্বা তারগদি এম ১২০ না বিলগী মায়োক্তা ভোট পীরমগনি। এন দি এগী এম পি ১১০ না বিল শৌগত্তুনা ভোট পীবা তারবসু পাস তৌবা ঙমদবগী ফিভমদা লৈ। হৌজিক ফাওবদা বিজু জনতা দল (বি জে দি)গী এম পি ৯ অমসুং বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি)গী এম পি ৪ না করম্বা মায়কৈদা ভোট পীগদগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। হৌজিক-হৌজিক তোঙান তোঙানবা ... মখা লামায় ৩ কলম ৩



### মেনপেককী পাউ ফোঙবা য়ারোই হায়না থিংজিল্লকপা তরাইনা লৌদে : সুনিল করাম

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২ (ঐচএনএস): সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ৱিদ্রো তৌগদবনি হায়বা ফিরেপ অসি রুলিং অমসুং ওপোজিসন পার্টি হায়বা লৈতনা পুন্না লেপমিন্নগদবনি অমসুং বিল অসিগী মায়োক্তা লৈবশিং মীয়ামগী য়েক্লবনি লোয়ননা সী এ বি অমসুং মেনপেককী পাউ ফোঙবা য়ারোই হায়রিবসি তরাই লৌদে হায়না মণিপুর পিপল এগেনষ্ট সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ (মেনপেক) না ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মেনপেককী কোর কম্মিটিগী মেম্বর সুনিল করামনা হায়খি, ঙসি রাজ্য সভাদা তাঙ্কক অনীদা সী এ বি পুথোল্লবা হোৎনখি অদুবু পুথোকখিদ্রে। হয়েং অয়ুক পুং ১১ দা পুথোক্লবা খন্নখি। বিল অসিগী মায়োক্তা অৱাং নোংপোক লমদম অসি মৈ হৌরিবনি অমসুং বিল অসি অৱাং নোংপোকথংবা ষ্টেটশিংদা চৎনবা য়ারোই, ৱিদ্রো তৌগদবনি হায়না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি হনবা লৈরোই। বিল অসি পুথোকপা নৎত্রগা পুথোক্তবা হায়বা ৱাফম ... মখা লামায় ৩ কলম ১

### পামগী টোটেল সটদাউনগী খোঙজং পুং ২৪ শাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২ (ঐচএনএস): পিপল এল্লাইয়ন্স মণিপুর (পাম) না কৌখিবা টোটেল সটদাউনগী খোঙজং ঙসি নুংথিল পুং ৫ দগী হৌরগা হয়েং নুংথিলগী পুং ৫ ফাওবা পুং ২৪ শাংদোকখ্রে। লমদম অসিগী চীং অমদি তমগী ইচিল-ইনাওশিংনা খোঙফম লেপমিন্নদুনা শিন্থা লেপ্পীদুনা ঈহৌ চঙশিনখিবগীদমক থাগৎপা অমদি ঈকায় খুম্নবা উৎচরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

পামগী কনভিনর অনৱারি নুরজহান, এস এম জলাল, এস বিজেন্তি অমসুং দল্লিয়ু কামেশ্বরনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, খোঙজং অসিদা অশোক-অপন য়াওখিবশিংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি। মণিপুরগী লোয়জিং-লোয়া অমসুং চীং-তমগী মফম কয়াদা রেল্লি, লম্বী থিংবা, ইফিজি মৈ থাবা, খোল্লাও লাউবা, ৱাকৎ মীফম ফম্বা, এম এল এশিংগী য়ুমদা থোমজিনবা য়াওনা খোঙজং কয়ামরুম মীয়ামগা লোয়ননা চঙশিন্নদুনা লাক্লি। লোয়ননা মখা তানা চঙশিনখিগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবসু লৈরি।

মখা তানা অচেৎপা ফিরেপ অমগা লোয়ননা দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা, বিল অসি ৱিদ্রো তৌদ্রিবা ফাওবা খোঙজং চঙশিন্নমিন্ননবা আপিল তৌরক্লি। য়েলহৌমী খুন্নাই অসি মুৎনবগীদমক ইন্দিয়া গভর্ণ-মেন্টনা চঙশিল্লক্লিবা দেমোগ্রাফিক ইনভেজনগী খোঙথাং অসিগী মায়োক্তা থৱায় কখোকপা ফাওবগী চাংদা ... মখা লামায় ৩ কলম ১

### নুপা ১৩ না ফি থোংদনা প্রোটেষ্ট চখ্রে, বি জে পি ওফিসতা থোমজিনখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১২ (ঐচএন এস): সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা ঙসি নুপা ১৩ না ফি থোংদবা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

কাঞ্চিপুরদা লৈবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী টেম্পররি ওফিসতা মশীং য়াম্লবা মীয়াম থোমজিল্লকখ্রে। মীয়াম অদু পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল অমদি মোক বোম কাপ্পুনা তানখায়খ্রে।

সী এ বিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি ক্যামগৈ-রোমদগী মীওই কয়ামরুম্না অয়ুক্কী পুং ১১.২০ রোম তাবদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ওফিস তম্না থোমজিল্লকখি। মফম অদুগী মনাক নক্লা লৈবা পুলিসশিংনা খোঙজং-লোয়শিং অদুবু বি জে পিগী ওফিস য়ৌদ্রিঙৈদা থৎতুনা থমখি। তুংদা খোঙজংলোয়শিং অদুগী মরক্তগী নুপা ১৩ না ফি থোংদবগী খোঙজং অদু চথখিবনি। তুংদা মীয়াম অদুনা লম্বী থিংবগী খোঙজংসু চথখি।

অমরোমদা, থোংজু অমদি নাওরেম লৈকায়রোমদগী মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না কাঞ্চিপুরদা লৈবা বি জে পিগী ওফিস তম্না থোমজিনখি। কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগায়দুনা মীয়াম অদুনা রেল্লি লাক্তুনা কাঞ্চিপুর য়ৌশিল্লকপদা পুলিসনা স্মোক বোম অমদি টিয়র গ্যাস সেল কয়া কাপ্পুনা মীয়াম অদু তানখায়খি। থৌদোক অদুদা মমা মচা য়াওনা মীওই কয়া অশোক-অপন নংখি।

অমরোমদা, লিলোংগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদসু মীতৈ পাঙলশিং থোরক্তুনা সী এ বিগী মায়োক্তা লম্বী থিংবগী খোঙজং চথখি। মাইবম লৈকায় বোকুল মখোংদা য়ঙ মেন্স দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন মাইবম লৈকায় বোকুল মখোং অমদি নুপীশিংনসু লম্বী থিংদুনা সী এ বিগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চথখি। লিৱা লম্বী অহোংশাংবম লৈকায়দসু মফম অদুগী নুপীশিংনা লিৱা লম্বী থিংদুনা ৱাকৎ মীফম চথখি। চনম পুখ্রি মপালদসু মফম অদুগী মীয়াম্না সী এ বিগী মায়োক্তা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লম্বীগী নাকন্দা প্রোটেষ্ট চথখি। খাগেম্পলি হুইদ্রোম লৈকায়, কৈশামথোং অহন্থেম লৈকায়, ইরোম পুখ্রি মপাল সোসিএল ক্লব অমদি মৈরা পায়বী কৈশামথোং ইরোম পুখ্রি মপালনচিংবদসু মফম অদুগী মীয়াম্না সী এ বিগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চথখি।

## ‘ঈ-পাউগী থবক তৌরিবশিংদা অপনবা পীবিগনু’

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২ (ঐচএনএস): সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মরী লৈননা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী জেনরেল ষ্ট্রাইক অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী কার্ফিয়ু মরক্তা অহিং-নুংথিল খায়দনা পুং ২৪ চুপ্পা থবক তৌরিবা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোকি মিদিয়াগী ইমপ্লোয়ীশিংদা মীয়াম অমদি লৈঙাক্লা অয়েৎপা অপনবা পীবিগনু হায়না ওল মণিপুর ন্যুজ পেপরস এন্দ ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়া ইমপ্লোয়ীজ এসোসিএসন (অম্নেমিয়া)গী এসিস্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম দি সাবিরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, নুংতিগী থবক তৌরিবা প্রিন্ট অমদি ইলেক্ট্রোনিক মিদিয়াশিংদা ফ্রন্ট দেক্সতা ফোনগী খুথাংদা পাউ লৌরিবশিং, অঙনবা অয়ুক্তগী মফম খুদিং চৎলিগা পাউমীশিংনা পাউ লৌরগা দি টি পি ষ্টাফশিংনা কম্প্যুটরদা নম্লিবনি। সব-এদিটরশিংনা য়েংশিল্লগা প্লেট এক্সপোজরশিংনা প্রোসেস তৌরবা তুংদা মেছিনমেনশিংনা পাউচে ওইনা পুথোক্লগা সাক্যুলেসন ষ্টাফশিংদগী দিষ্ট্রিব্যুটরশিং অমদি হোক্করশিংদা য়ৌহনবনি। মীয়াম-গীদমক ... মখা লামায় ৩ কলম ৩

## য়েথোক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২ (ঐচএনএস): মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ বিষ্ণুপুরগী সিলভর জুবিলী থৌরম ঙসি পাঙথোক্কনি তৌরম্বা অদু লৈবাক্কী ওইবা ঈরাং লৈবনা মতম খরা য়েথোক্লে হায়না মণিপুর সাহিত্য পরিষদ বিষ্ণুপুর ব্রাঞ্চকী কনভিনর জুগিন্দ্রো মুতুৱানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

| FOREX (INDIA RUPEES) | |
|---|---|
| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
| Euro | 79.780091 |
| US Dollar | 70.732271 |
| British Pound | 90.888357 |
| Australian Dollar | 50.118710 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.443674 |
| Japanese Yen | 0.639860 |
| Malaysian Ringgit | 17.347040 |
| Australian Dollar | 50.118710 |
| Singapore Dollar | 52.093928 |
| South Korean Won | 0.062950 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.861939 |
| Thai Baht | 2.257303 |
| Myanmar Kyat | 0.04590 |
| Bangladesh Taka | 0.84111 |

| Spot Gold (24K) Rates/10gm | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 33668.45 |
| Mumbai | – | Rs 34609.63 |
| Delhi | – | Rs 34385.03 |
| Kolkata | – | Rs 34673.80 |

### HL POLL

Q : CRPC gi Section 144 gi makhada athingba thambana meeyamgi ehou namthaba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Keithel da ahing yarektuna khongjang changshillakkhibasingda policena chatthakhiba thouong yaningbra?

Yes 12% No 88%

### অস! লোইরেহে!

সার বন্দ মুখৎনি হায়রম্লগা বন্দগী বন্দ ঙাক্তা ঙায়খ্রেনে...!



হাই সিদি বন্দ নৎতে, জেনরেল ষ্ট্রাইক ঙাক্তনি। সিদি মুখৎনি হায়খিদে...!

## মিনিষ্টর বিস্বজিৎ অমসুং এম এল এ অহুমগী য়ূমদা মীয়াম থোমজিনখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২ (ঐচএনএস): সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লদুনা ঙসি মিনিষ্টর থোঙাম বিস্বজিৎ, এম এল এ পাওনম ব্রোজেন, এম এল এ য়েংখোম সুরচন্দ্র অমসুং এম এল এ সোইবম সুভাসচন্দ্রগী য়ূমদা মীয়াম থোমজিনখ্রে।

খোংমন ওক্রম চুথেক, বাশিখোং-লোমদগী য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী মশীং য়াম্লবা মীয়াম্না নিংঙোমথোংদা লৈবা মিনিষ্টর বিস্বজিৎকী য়ূমদা থোমজিল্লকখি। মীয়াম অদুবু তানখায়নবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়র গ্যাস সেল কয়া কাপখি। থোমজিল্লকপদা য়াওবশিংনসু নাওরী কাপ্পকখি হায়রি।

অমরোমদা, ককচীং তুরেল ৱাংমদা লৈবা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এগী য়ুমদা থোমজিন্নবা চঙশিল্লকপদা ককচীং পুলিসকী এস পি ভিক্টোরিয়া য়েংখোমনা লুচিংবা পুলিসকী টিম অমনা ... মখা লামায় ৩ কলম ৭

## কোংগ্রেস লেজিসলেচরশিং য়াওনা জন্তর মন্তরদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

### সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল ৱিদ্রো তৌনবা দিমান্দ তৌরি : ইবোবী

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২ (ঐচএনএস): সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ ৱিদ্রো তৌগদবনি হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা মণিপুরগী কোংগ্রেস লেজিসলেচরশিং য়াওনা ঙসি দিল্লিগী জন্তর মন্তরদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম ফমফম অদুনা মোদি দাওন-দাওন, ৱিদ্রো সী এ বি, সেব মণিপুর, প্রোটেক্ট কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়া হায়বনচিংবা ৱারোলশিং থাবা প্লেকার্দ কয়াসু পায়খি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা সী এল পি মণিপুরগী লুচিংবা ও ইবোবীনা হায়খি, সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল ৱিদ্রো তৌগদবনি হায়না কোংগ্রেস পার্টিনা দিমান্দ তৌই। খোঙজং কয়াসু চঙশিন্দুনা লাক্লি। লোক সভাদা বিল অসি পুথোক্তনবা কয়ারক হন্না তকশিল্লবসু লৈঙাক পায়রিবশিংনা নমদুনা পুথোক্লগা পাস তৌখিবনি। রাজ্য সভাদা সিটিজনশিপ বিল পাস তৌবা য়ারোই। সী এ বি নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামদা শোকহনগদবা বিলনি। মসিনা মরম ওইরগা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদা অচৌবা ইৱাং থোক্তুনা লৈরিবনি।

নোর্থ ইষ্টকী মীয়াম লেন্দলেস পিপল ওইহনবা য়ারোই। চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি নোর্থ ইষ্টকী মীয়ামগী খোঙজংনি। বিল অসি পুথোরক্কদ্রা হায়বগী চিংনবা লৈবনা খোঙজং চঙশিল্লিবনি। নোর্থ ইষ্টকী য়েলহৌ-মীশিংগী শক্তম ঙাক্লবগীদমক অমত্তা ওইনা লেপমিন্নবা তাই। বিল অসিগী মায়োক্তা লেপখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা কোংগ্রেস পার্টিগী এক্স এম এল এশিং অমদি এম পি সী সীগী থৌ পুবা কয়াসু শরুক য়াখি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী কোংগ্রেস লেজিসলেচর কয়া অমা দিল্লিদা লৈদুনা সী এ বিগী মতাংদা লুচিংবা কয়া উনদুনা লাকখিবনি।

## ফেক এনকাউন্টরনি হায়বা কেসশিংগী মায়োক্তা ৱাকৎ

## সী বি আইনা থাগৎলকপা চার্জশীটশিং প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসন য়াওদবনা কোগনাইজেন্স লৌবীগনু হায়রক্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২ (ঐচএনএস): লমদম অসিদা থোকখিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোকশিংদা মীওই কয়া শিখিবা থৌদোকশিংগী মনুংদগী খরগী মতাংদা এক্সট্রা এগজিক্যুসন ভিক্টিমস ফেমিলিজ এসোসিএসন, মণিপুর (ঈভফম)না সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎলুবগী কোর্ট অসিনা পীরকখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই)না চার্জশীট থাগৎলকখ্রবা কেসশিংগী মতাংদা কোর্টনা কোগনাইজেন্স লৌবীদনবা ৱাকৎনরকপা য়াওরে।




সী বি আইগী স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)না থৌদোকশিং অদুগী মতাংদা রি-ইনভেষ্টিগেসন তৌরগা মরী লৈনরিবা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্টকী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট (সী জে এম) শিংদা চার্জশীটশিং ফ্রেম তৌদুনা থাগৎলকখিবশিং অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদগী প্রোজিক্যুসন সেঙ্কসনশিং য়াওদে। মরম অদুনা কেসশিং অসিগী কম্মিটিং কোর্টশিং ওইরিবা সেসন্স কোর্টশিংনা চার্জশীটশিং অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা কোগনাইজেন্স লৌবা য়াদে হায়বগা লোয়ননা লৌবীগনু হায়জরকখিবনি।

কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবসি হৌজিক ফাওবদা সী বি আইগী এস আই টিগী মায়কৈদগী চার্জশীট থাগৎলকখ্রবা অপূনবা কেস নিপানগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা মফম অমদা থোকখিবা ফেক এনকাউন্টরনি হায়বা থৌদোক অমগী মতাংদনি।

ৱাকৎ অসিনা থৌদোকসিগী মতাংদা সী বি আইনা রি-ইনভেষ্টিগেসন তৌরবা মতুংদা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ইষ্টতা সবমিট তৌরকখিবা চার্জশীটতা এক্যুজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরক্লিবা মণিপুর পুলিস কম্মান্দোগী পর্সনেলশিংনা ফাইল তৌরকখিবনি।

ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা ৱাকৎ অসি কোর্ট অসিনা লৌখৎলগা কেস নম্বর স্পেসল ট্রাইয়েল নম্বর ২ ওফ ২০১৮ লৌখৎখ্রে। লোয়ননা কেস অসিগী অরোইবা হিয়ারিং পাঙথোক্লগা মসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর থা অসিগী ২৭ তা লাউথোক্লবা রিজার্ভ তৌদুনা থমখ্রে।

পনবা য়াবদি, সী বি আইনা হৌজিক ফাওবদা চার্জশীট থাগৎ-লকখ্রবা ... মখা লামায় ৩ কলম ৩

### অমুকোগী মপোক নুমিৎ

## মীয়ামগী খোল্লাউ ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তাদে, কর্ফিয়ু থমজিনবগী থৌওং কন্দেম তৌই : পি ঐচ দেবান

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১২ (ঐচএনএস): মণিপুর মীয়াম্না করি পাম্লিবা হায়বগী খোল্লাও ইন্দিয়া লৈঙাক্লা তাদে, কর্ফিয়ু থম্লগা লোয়ননা সী এ বিগী মায়োক্তা ৱা ঙাঙলকপা ময়াম মীদিয়ানা ফাওবা ফোঙবা য়ারোই হায়না ওর্দর থোক্লকপসি কন্দেম তৌই হায়না ওল মণিপুর য়ুনাইটেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন (অমুকো)গী প্রসিদেন্ট পি ঐচ দেবাননা ফোঙদোকখ্রে।




ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাইদা লৈবা মীয়ামগী শঙলেন অমুকো ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা অমুকোগী মপোক কুমওন থৌরমদা ৱা ঙাঙলদুনা পি ঐচ দেবাননা হায়খি, দেম্মক্রেসি চৎপা লমদম অসিদা মীয়ামগী ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন অসি কন্সটিট্যুসনদা ইরগসু ঙসি ফাওবা নমহৎলগা থম্মী। মীয়ামগী মচিন মেল্লি। মসি দেম্মক্রেসিনি হায়বা য়ারিব্রা। ঐখোয় মখা তানা ঈহৌ কয়া চঙশিন্নবা শেম শারসি। অমুকোগী ২৬ শুবা কুমওন অসি য়াম্না পীক্লা শীল্লে। সী এ বিগী অকনবা ঈহৌ লৈবনা পীক্লা শীনবনি। রাজ্য সভাদা বিল পুথোরক্কনি হায়বগী নুংনাংবা নোর্থ ইষ্ট মীয়ামদা লৈবনা অকনবা ঈহৌ হৌরি। লৈঙাক্লা কর্ফিয়ু থমদুনা মী মপান থোকহন্দনা লৈবসিদা অমুকোগী কুমওন মমিংতগী ওইনা তৌখি। অমুকোগী লৈখিদ্রবশিংগী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎলি। অমুকো ১৯৭৩ গী ফেব্রুৱারি ১২ দা মণিপুর লৈমায়দা শাফোংলকখি।

কুকি-নাগা অনীগী হাৎন-শুনবা কয়াদা লাঞ্জদ্রবা মীওই কয়া শিখি। য়ুম কৈ কয়া মৈ চাকখি। হাৎন-শুনবা কয়া অমা য়াওরবা মতমদুদা অমুকো কুকি-নাগাগী ক্লাস মরক্তা শাফোংলকখিবনি। উংখৎনবা ময়াম অসি তাশিল্লগা রিলিফ কেম্প হাংদুনা থবক কয়া তৌরকখি। অমুকোগী পান্দমদি কাঙলুপশিং অমত্তা ওইনা পুনশিল্লগা মণিপুরী অমা ওইনা মণিপুর মীয়ামদা শীংনরিবা ... মখা লামায় ৩ কলম ৭



অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা, লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা

Manipur Cab Services

হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...

খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোংদুনা চৎপিয়ু

Toll Free Number 1800-345-3838

GET IT ON Google Play

₹ 15 per Km. Normal

₹ 25 per Km. Standard

Picnic, লুহোংবগী অমদি অতৈ থৌরমশিংগী ওইনা অথয়না শেমজবা package লৈজরি

অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁꯦꯁ

Manipur Cab Services

2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal

Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

HL-P/3363/28/01-26/02

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫